# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 17-07-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

২) কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্কর অমসুং মাউরিসসকী প্রধান মন্ত্রি প্রবিন কুমার জগনাউথনা স্পেচগী লম য়াওনা তোঙান তোঙানবা হিরমদা মতেং পীনবা হায়না য়ান্নখ্রে।
অমসুং

৩) সি.বি.আইনা নিট য়ু.জি পিপর লিক্কী ৱাথোক্তা মরী লৈননা ঝারখন্দগী মীওই অনি অমগসু ফাখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা কেস অসিগা মরী লৈননা ফাবা মীওই ১৪ শুরে।

------

ওপরেসন (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

৩৭ শুবা অসাম রাইফলস, ককচিং পুলিস কম্মান্দো অমসুং শুগনু পুলিস ষ্টেসনগী কাংবু অমনা ঙরাং শুগনু পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মোলতিংচাম খুলদা থিবা হুন্বগী থবক চথুবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফংলে।

পুলিসকী পাউনা হায়- থিবা হুন্বগী থবক অদুদা লোকেল মেদ রাইফল অমা, বাউফেং হেন্দসেট অনি, চাইনিজ হেন্দগ্রেনেদ অমা, লেথোদ সেল অমা,

পিষ্টোলগী মেগজিন অমা, নাইন এম.এমগী অহাংবা তোকিং ১৪, ইন্সাস রাইফলকী তোকিং ৭, পোম্পি লোঞ্চর অনি অসিনচিংবা য়াওরি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা লমশাং পি.এসকী মনুং চনবা পঞ্চায়ট ঘর রিলিফ কেম্প মনাক্তা লৈবা কাংচুপ চীংখোঙদা ঙরাং থিবা হুন্থবগী থবক চথুখ্রে। মদুদা লান্মীনা শিজিন্নবা হেলমেট ১১, কেমোফ্লেস খঙগ্রাউ ১০, জঙ্গল বুথ ১১, বুল্লেট প্রুফ জেকেট কোভর ৬, মোবাইল হেন্দসেট ৬, কে.সি.পি (পিপলস ৱার গ্রুপ)কী দিমান্দ লেটর অমা, মণিপুর পুলিস কম্মান্দোনা শিজিন্নবা কংলাশা য়েকপা বেজনচিংবা ফাগৎপা ঙমখি। মীফা মীপুনগী পাউদি লৈতে।

থৌবাল (এল)ঃ মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিং মখোয়গী লমশিংগী অকুপ্পা মরোল থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ওফিসতা থা অসিগী ৩১ ফাওবদা থাজিল্লক্কদবনি হায়রি। লমগী অকুপ্পা মরোলশিং অদু ৱেব সাইট থৌবাল দোট এন.আই.সি দোট ইনদা থাজিল্লকপসু য়াগনি। রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংনা মখোয় মখোয়গী রিলিফ কেম্পকী নোদেল ওফিসারশিংদা থাজিনগদবনি। মসিগী মতাংদা থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা চেরোল অমা থোকখ্রে।

ফোরেষ্ট (এল)ঃ মণিপুর সরকারনা এলোকেসন রুল ২০০৯ শেমদোকখিবগা লোয়ননা ফোরেষ্ট এরিয়া অমসুং ফোরেষ্ট নত্তবা এরিয়াশিংদা নুঙ-লৈঙোই, লৈবাকচিংবা মাইনর মিনরেলশিং পুথোক পুশিন তৌবগী থবকশিং ফোরেষ্ট বিভাগনা য়েংশিল্লগনি।

সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন, ইম্ফালগী দি.এফ.ওনা থোরকপা ওফিস মেমোরেন্দম অমনা হায়- ফোরেষ্ট নত্তবা এরিয়াশিংদা টেক্স খোম্বা, ত্রাঞ্জিৎ পাস ফি লৌবা য়াওনা মণিপুর ফোরেষ্ট রুলস ২০২১ না পীরিবা চৎন কাংলোনশিং

নিংথিনা থবক্তা ওন্থোকবা মরী লৈনবা রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসারশিং অমদি ফিল্ডদা থবক তৌরিবা ষ্টাফশিংনা হোৎনগদবনি। রেভিন্যু ষ্টেসনশিং অমদি মোবাইল বিট ওফিসশিংনা সার্তিফিকেট ওফ ওরিজিনশিং নিংথিনা চ্যেক তৌগদবনি হায়রি। মণিপুর ফোরেষ্ট রুলসকী মখাদা মরী লৈনবা দি.এফ.ওশিংনা পীবা সার্তিফিকেট ওফ ওরিজিন পুথোরক্লগদি লন্নাইগী লম অমদি ফোরেষ্টকী এরিয়া নত্তবা মফমশিংদগী পুথোরকপা নুঙ, লৈঙোই অমদি লৈবাকচিংবা মাইনর মিনরেলশিং অদু চাদা ৫ গী চাংদা ত্রাঞ্জিৎ ফি লৌরগনি হায়রি।

আগি বির (এল)ঃ ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সনা আগি বির স্কিমগী মখাদা লান্মী ওইনিংবা নহাশিংদগী দরখাষ্ট কৌরি। থৱায় য়াওবা কেন্দিদেটশিংনা থা অসিগী ২৮ ফাওবগী মনুংদা ওনলাইনগী খুত্থাংদা রেজিষ্টর তৌগদবনি। কেন্দিদেটশিংনা মখোয়গী অকুপ্পা ৱারোলশিং অদু আগি পথ বাইয়ু দোট সি.দি.এ.সি দেট ইনদা পীশিনবা য়াগনি হায়রি।

অমফা (এল)ঃ এ.এফ.সি ৱিমেন্স ফুটসাল নেসনেল চেম্পিয়নসিপকী ভারতকী টিম খন্নবা নেসনেল ত্রাইয়েল য়াওননবা মণিপুরগী ওইনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না থা অসিগী ২৮ দা ত্রাইয়েল অমা পাঙথোক্লগনি। ত্রাইয়েল অসিদগী খনগৎলবা শান্নরোইশিং অদুনা ওগষ্ট ১৫ দা নোর্থ ইষ্ট জোনগী ওইনা পাঙথোকপা ত্রাইয়েলদা শরুক য়াগনি। ত্রাইয়েল অসি য়াওনিংবা অম্ফাদা রেজিষ্টর তৌবা নুপীগী ক্লব অমসুং টিমশিংদা মখোয়গী খনগৎলবা শান্নরোইশিংগী মিং থা অসিগী ২২ ফাওবদা এসোসিয়েসনদা পিশিল্লকবা অম্ফাগী জেনেরেল সেক্রেটরি থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

জয়শঙ্কর ঃ মাউরিসসকী নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা লৈরিবা কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা লৈবাক অদুগী প্রধান মন্ত্রি প্রবিন কুমার

জগনাউথকা ঙরাং পোর্ট লুৱিসতা উন্নখ্রে। লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈনরিবা অফবা মরী অদুবু অমুক হন্না য়েংশিন্দুনা তুংদা লাক্কদবা মতমদসু অমত্তা ওইনা তেংবাংমিন্নবগী ৱারী শান্নখি।

শ্রী জগনাউথ অমসুং ডাঃ জয়শঙ্করনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়া হোদোকখি। প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা স্পেচগী লমদা তেংবাং পীনবা, নেসনেল ইন্সটিট্যুট ফোর করিকুলম রিছার্স শেমগৎপা, ইন্দিয়ান কাউন্সিল ফোর কলচরেল রিছার্স হেন্না ফগৎহনবা অমদি মাউরিসসতা থবক তৌরিবা ভারতমচাশিংগী দেটা দিজিতাইজ তৌবনচিংবা য়াওরি।

সিবিআই ঃ সি.বি.আইনা নিট য়ু.জি পিপর লিক্কী ৱাথোক্কা মরী লৈননা ঝারখন্দগী মীওই অনি ফারে। মখোয় অনি হজারিবাগতা লৈবা নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সিকী পরিক্ষা অসিগী কেসন পেপর থস্ফমদগী হুরানবদা চেন্নবনি হায়রি। হৌজিক ফাওবদা কেস অসিগা মরী লৈননা সি.বি.আইনা মীওই ১৪ ফাগৎপা ঙমলে।

লিকর ঃ দিল্লি লিকর পোলিসি স্কেমগা মরী লৈননা জেলদা লৈরিবা আম আদমি পার্তিগী লুচিংবা মনিস সিসোদিয়া সুপ্রিম কোর্টনা ঙরাং বেল পীখ্রে। জষ্টিস বি.আর. গবাইগী বেঞ্চ অদুনা রাই অদু তারবা মতুং সি.বি.আই অমসুং এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটতসু থা অসিগী ২৯ ফাওবদা মখোয় মখোয়গী পাউখুমশিং পীরকবা খঙহনখ্রে। সিসোদিয়াগী উকিলনা আম আদমি পার্তিগী লুচিংবা অসিগী মথক্তা চথরিবা ইনভেষ্টিগেসন অসি থা ৬ হেল্লবা ফাওবদা হান্নদগী অহোংবা অমত্তা উদবনা বেল পীবীনবা হায়জখিবনি।

নেভি ঃ ভারত নেভিনা পাঙথোকপা নেসনেল লেবেল ক্বিজ কম্পিতিসন-থিঙ্ক ২০২৪ ঙরাংদগী হৌখ্রে। কুমশি চহিগী থিমদি- ভারতপু ইং কুমজা ২০৪৭

ফাওবদা চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহনবগী পান্দম- বিক্সিত ভারত হায়বসিনি। ক্বিজ কম্পিতিসন অসি লৈবাক অসিগী ক্লাস নাইনদগী তুয়েল্ব ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোইশিংনা তাঙ্কক মরি থোকা চাংদমগনি। ক্বিজ অসিদা য়াওনিংবা মহৈরোইশিংনা থিঙ্ক ৱেব সাইট- দব্লিউ দব্লিউ দোট ইন্দিয়ান নেভিথিঙ্ক দোট ইন-দা চংদুনা রেজিষ্টর তৌবা য়াগনি।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়না হায়- অসিগুম্বা ক্বিজ অসিনা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা মখোয়গী বুধি লৌশিং হেনগৎহনবা খক নত্তনা লৈবাক অসিগী নাৎ অমসুং কলা সংস্কৃতিদা হেন্না চাওথোকচবা অমসুং মরৈবাক নীংবগী ৱাখল্লোন পোকহন্নবগী পান্দমদা শিনবনি।

ওমানঃ প্রেষ্টিজ ফলকন কৌবা কোমোরস লৈবাক্তা রেজিষ্টর তৌবা থাউ পুবা জহাজ অমা ওমানগী সমুদ্রদা ল্পখিবদা ভারত মচা ১৩ য়াওনা মীওই ১৬ হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদ্রি। মিতর ১১৭ শাংবা অমসুং ২০০৭ দা শাবা ওইল টেঙ্কর অদু ওমানগী দুকম পোর্টতগী য়েমেনগী এদেনদা চৎপদা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুরগী জষ্টিস এন. কোতিশ্বরবু সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইনা হাপনবা অয়াবা পীখিবগী পাউ অমসুং মহৈরোই অনি থিবা খঙদনা লৈরকখিবা অদুগী মতাংদা অথুবা মতমদা চপ চাবা রিপোর্ট অমা পীরগনি হায়না সেক্যুরিতি এদভাইজরনা ফোংদোকখিবগী ৱাফম শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী, মণিপুর মেল, মণিপুর নিউজ, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, তমেংলোং টাইমস অমসুং মণিপুরদা ফোংবা তোঙান তোঙানবা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- শকখঙদবশিংনা চিরু ফুরুপকী মীওই অমা ফারবা মতুং ফুবদা লৈখিদবা অমসুং কেস অসি থিজিন্নবা ইমুং মনুংনা ৱাকৎখিবগী পাউনা অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- এস.দি.এস.এনা হৌজিক নেসনেল হাইৱে টুদা চংশিল্লিবা খোঙজং অদু হন্দোকবা পুলিসনা খঙহনখিবা  অমসুং কুবা পিতরবু এন.পি.ওগী প্রসিদেন্ট ওইনা নৌনা খনখিবগী পাউশিংনা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউ পাউচেদা- য়ু.এনগী মীফমদা সোলিচিতর জেনেরেলনা মণিপুরদা ভোৎ থাদবগী চাং ৱাংখিবনা ইং তপ্পা হঞ্জিল্লক্লে তাক্লবনি হায়খ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সনালৈবাক্তসু তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা লম্বী থোংগী ফিভম ফত্তবনা ইম্ফালদগী জিরিবাম চৎপদা নুমিৎ মরিনি চংলে হায়বা পাউ অমসুং য়ুনাইতেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিষ্ট বাব্লু লোইতোংবমনা মণিপুরগী ইরাং অমসুং অফস্পাগী মরিক চুম্বা ৱাফম থমখ্রে হায়বা পাউ অসি অহানবা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- ফাজিল্লুরবা মীওই অমা থাদোক্লবা মতুং লৈখিদ্রে, ইমুং মনুংনা অচুম্বা থিদোকপীনবা দাবী তৌরি হায়বা পাউ অসি অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- মেনফেতরমিন কাংলোন চুমদনা শিজিন্নবা অমদি য়োনবা থিংখ্রে অমসুং মোরেগী গোভাজাং ভিলেজদা চংশিন্দুনা লৈরম্বা ম্যান্মার মচা হুমফু (৬০) মশক খঙদোক্লে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

সেক্যুরিতি এদভাইজরনা মহৈরোই অনি থিবা খঙদনা লৈরকখিবগী লংলা লংজিল থা অসিগী ২০ ফাওবদা পীরগনি হায়বা পাউ অসিনা মোর্নিং বেলগী

অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- পাউচে অসিমক্কী এদিটর লোয়ালাকপগা য়ুমদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপশিনদুনা লান্দারল্লে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------